ফিবম অমত্তদা সগোলমাংদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংবা য়ারোই

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ লৈত-লাইরবনা মশিং য়াম্বা, অনা-লায়েংগী খুদোংচাবসু নিংথিনা ফংদবা ইম্ফাল ইষ্টকী সগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমা শাগনি হায়দুনা মতমদুগী গবর্ণমেন্টনা উরেপ-উয়ুং তল্লম্বদা হোস্পিটাল অসিনা খুদোংচাবা পীগদৌরিবা লমদম অসোমগী মীয়াম্না হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা মঙলান অমা শাগৎতুনা লাকখি। অদুবু হৌজিক পাল্লিবা গবর্ণমেন্ট অসিনা ইখং-খঙহৌদনা কৈরাও এসিগী ক্যামগে ময়াই লৈকাইদা শারগনি হায়না যাত্রা নৌনা হুনখিবা অসিদি খুদ্রাকপম এসিগী প্রজা অমত্তনা য়াবা ঙল্লোই হায়না পুখাও জুবেনাইল পাইওনিয়ার ক্লব, পুখাও খাবমনা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

অথুবা মতমদা গবর্ণমেন্টগী ফিরেপ হোংদুনা সগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাগদবনি অমদি ইংনাতপ্লা লৈবা পাম্বা অৱাংলমগী মীয়াম্বু ইরাং পাম্বা তাহনবীগনু। লোয়ননা ফিবম অমত্তদা সগোলমাংদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংবা য়ারোই হায়রি।

অমরোমদা, খেৱা কম্পেনি দিবেলপমেন্ট কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনসু সগোলমাংদগী ফিবম অমত্তদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংবা য়ারোই হায়রি।

মীওই খরনা রাজনিতিগী ইথিল পীদুনা সগোলমাংদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, ইম্ফাল ইষ্ট কৈরাওগী ক্যামগে ময়াই লৈকাইদা হোংনবা তৌরিবা মণিপুর গবর্ণমেন্টগী থৌওং অসি কম্মিটি অসিনা য়াবা শুকঙম ঙল্লোই।

য়াম্না অথুবা মতমদা লৈঙাক্কী ফিরেপ হোংদোক্তুনা হান্না যাত্রা হুনখ্রবা সগোলমাং-খেৱাদা শাবা হৌগদবনি। গবর্ণমেন্টগী মথোং হুক্তবা থৌওংনা মীয়ামদা ইরাংগী বার্ত্তন তৌবীগনু অমদি মীয়ামগী থবক্তা রাজনিতিগী খুৎ য়াওবীগনু হায়রি।

প্রোগ্রেসিব য়ুঠ ব্রদরহুড এসোসিয়েসন, খেৱা কম্পেনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনসু হৌজিক লৈঙাক অসিনা লৌরিবা ফিরেপ অথুবা মতমদা হন্দোক্তুনা সগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাগদবনি। মদু নৎত্রবদি মীয়ামগী ইহৌদা ক্লব অসিসু য়াওশিন্দুনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি হায়রি।

মোরেল রিফোর্মেসন ক্লব, লম্বোইখুলনা থাদোরকপা চেরোল অমনসু সগোলমাংদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংবা য়ারোই হায়রি।

মীয়াম্না হায়জরিবা অসিগী মায়োক্তা লৈঙাক্না থবক তৌরক্লবদি ক্লব অসিনসু জেএসিনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদগী হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শাবা লোইরে হায়রি। প্রোগ্রেসিব য়ুঠস ক্লব-সগোলমাং বাজার, ৱুমেন প্রোহিবিসন কম্মিটি -সগোলমাং অমদি সগোলমাং দিবেলপমেন্ট কম্মিটিনা পুন্না থাদোরকপা চেরোল অমনসু সগোলমাংদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংবা য়ারোই হায়রি।

অখুবা রাজনিতিগী ওইবা লৌতুনবা মানবা থৌওংদা সগোলমাংদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংখিনবা ঙসিগী লৈঙাক্না হোৎনরিবা থৌওং প্রজা মীয়াম্না য়াবা ঙল্লোই। লোয়ননা অথুবা মতমদা লৈঙাক অসিনা ৱারোইহসিন অমা পুরক্তুনা মীয়ামগী খল্লগা সগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবীয়ু। মদু নৎত্রবদি জেএসিনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা শৌগৎতুনা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না চেরোলসিনা অরোইবদা থল্লক্লি।

সাইকুলগী সিএসওশিংনা শৌগৎখ্রে

ঐখোয়গী পাউমীদগী

কাংপোকপী, এপ্রিল ১৫ঃ শগোলমাংদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ক্যামগৈদা পুখিবা লৈঙাক্কী থৌশিলবু কুকী ইনপি সাইকুল গমকাইনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা সাইকুল এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুংদা লৈরিবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা পিছ এন্দ দিবলপমেন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটি, পিদিসিসিনা চংশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা শৌগৎনবা ঙসি ৱারেপ লৌখ্রে।

কুকী ইনপি সাইকুল গমকাইগী প্রসিদেন্ট সৈমাং লুফোনা হায়, শগোলমাংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল লৈবনা সাইকুলগী লাইরবা প্রজাশিংগী অনা লায়েংদা অসুক্কী মতিক খুদোংচাবা পীগদৌরিবনি। অদুবু মফম অসিদগী ক্যামগৈ মমাং লৈকায়দা হোস্পিটাল হোংনবা খঙহৌদনা লৈঙাক্না ফিরেপ লৌদুনা নৌনা উরেপ উয়ুং থম্বা অসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। মরমসিনা পিদিসিসিনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংবগী মায়োক্তা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি অচুম্বা ওইবনা সাইকুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোরক্লি।

সাইকুল সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মায়কৈদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি হোংদনা শগোলমাংদা অদুমক থম্বীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি। করিগুম্বা লৈঙাক্না ক্যামগৈদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংনবা লৌরিবা ফিরেপ অসি হন্দোক্তবা তারবদি পিদিসিসিগা লোয়ননা মখা তানা অকনবা খোঙজং কয়া চংশিল্লগনি হায়রি।

সিএমবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ মণিপুর গবর্ণমেন্টনা মন্ত্রিপুখ্রিগী এরিয়া অমদি চিংমৈরোং নোংপোক কোম্বা অহল্লুপ হায়রিবা ভিল্লেজশিং অসিদগী গবর্ণমেন্টনা লেন্দ বেঙ্ক ওইনা থম্নবনি হায়দুনা এমএলএ / মিনিষ্টরশিংগী ক্বাটর শানবগীদমক একর ৭৫ গী লম লৌশিনগনি তৌরকপদগী গবর্ণমেন্ট অসিগী মায়োক্তা য়ানিংদবদগী অম্মোকোক য়াওনা পাঙলশিংগী ওর্গেনাইজেসন ময়াম্না পুং ৩৬ কী টোটেল সট দাউন তৌবা হৌরকপদা চিফ মিনিষ্টরনা বার্ত্তন তৌরক্তুনা ফম্মিন্নরবা মতুংদা মৈতৈ পাঙলশিংগী সেন্টিমেন্ট খঙনা মন্ত্রিপুখ্রি অমদি চিংমৈরোং নোংপোক কোম্বা অহল্লুপ এরিয়াদা লৈরিবা মসজিদ অল হুদা, মদ্রাসা নাহরুল লুম, কবরষ্টান, ইদগাহ য়াওনা য়ুম শাদুনা লৈখ্রবশিং অসি অমত্তা শোকহল্লরোই হায়না থাজবা পীরকপগীদমক্তা চিফ মিনিষ্টরবু চিংমৈরোং নোংপোক কোম্বা অহল্লুপ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা চেরোল অমদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, সিএমনা চিং-তম মান্নবা মীৎয়েং থমদুনা লমদম অসিদা পুন্না চাওখৎপগা লোয়ননা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবা হোৎনরিবা অসিগী ওন্ন-তৈনবদা হন্দক খঙহৌদনা লাইফম খুনৌ হৌজিক্না নাগারাম হায়না মীং ওন্থোকখ্রবা মফম অসিদা ত্রাইবেল কষ্টমরি লোদা পাঙল তাবা য়াদে হায়দুনা মৈতৈ পাঙলদা এটেক তৌরক্লিবা অসি এসোসিয়েসন অসিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ত্রাইবেল কষ্টমরি লোদা পাঙল লৈবা য়াদে হায়না মীওই খরনা ইহৌ শাগৎলক্লিবা অসি নুংঙাইতবা থৌদোকনি হায়রি।

মোরেদসু মীয়ামগী নুমীৎ পাঙথোকখ্রে

মোরে পাউমীদগী

মোরে, এপ্রিল ১৫ঃ থা খুদিংগী পাঙথোকপা পুলিস কম্মুনিটি লাইজন গ্রুপ(পিসিএলজি) মীটিং কম মীয়ামগী নুমীৎ মোরে পুলিসনা শীন্দুনা ঙসি মোরে পুলিস ষ্টেসনদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মোরে পুলিসকী এসডিপিও সন্দিপ গোপালদাস, সিডিও মোরেগী ডিএসপি টিএঁচ থোমাস, মোরে পুলিসকী ওসি লেতখোহাও ৱাইফৈ অমদি অতৈ পুলিস ওফিসারশিং অমসুং মোরেদা লৈবা তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী লুচিংবশিং, তোঙান তোঙানবা মৈরা পায়বী লুপ কয়াগী ইমাশিং শরুক য়াখি।

কম্মুনিটি লুচিংবশিংগী মায়কৈদগী অসিগুম্বা মীয়ামগী নুমীৎ অসিদা মোরেদা লৈরিবা গবর্ণমেন্ট ডিপার্টমেন্ট কয়াগী মীওই অমা ফাওবা য়াওদবা অসি নুংঙাইতে হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা ডিপার্টমেন্টশিংদা হায়নিংবা কয়া লৈরবসু মখোয় য়াওদবনা ফোঙদোকফম লৈতবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়খি। মোরে হোস্পিটালগী ডাক্তরগী অৱাৎপা, মোরেদা হৌজিক শাগৎলকপা মতম ওইবনা মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপদা ফায়র সার্বিসকী ষ্টাফশিংনা নিংথিনা থবক তৌহন্নিংবগী অপাম্বসু থমখিবগা লোয়ননা অতৈ হিরম কয়াগী মতাংদা কম্মুনিটি লীডরশিংনা থমখি।

পুলিসকী মায়কৈদগী মথংগী মীয়ামগী নুমীৎতদি ডিপার্টমেন্টশিংগী মীওইশিং য়াওনবা হোৎনগনি অমদি মীয়ামগী ৱাকৎশিং মথক থোংবা ওফিসারশিংদা থমগনি হায়খি।

মোরে পুলিসকী ওসিনা হায়, ম্যানমাররোমদগী য়ু অমদি চুরুপশিং পুশিল্লকপা অথিংবা লৈখ্রবনি অদুনা মীয়াম্না হায়রিবা পোৎলমশিং অসি পুশিল্লক্তনবা অমদি মোরে মনুংদা আইননা য়াদবা মওংদা পেত্রোল য়োল্লিবা অমদি য়ু য়োল্লিবা অসি তৌবিদনবা আপিল তৌখি।

[illegible]

[illegible]

ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ বিজেপি পাটসোই মন্দলনা শীন্দুনা ঙসি মৈতৈ সঙাইপ্রৌদা লৈবা কম্মুনিটি হোলদা নোংমগী ওইবা বিজেপি ৱার্করশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বিজেপি মণিপুর প্রদেসকী হান্নগী প্রসিডেন্ট এস শান্তকুমার, বিজেপি নেসনেল কাউন্সিল মেম্বর এস সত্যাভামা দেবী, ষ্টেট ভাইস প্রসিডেন্ট টিএঁচ বসন্তা, ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি এডমিনিষ্ট্রেসন কে সরত, ষ্টেট সেক্রেটরি পি মনিবাবু, ষ্টেট সেক্রেটরি এন নিম্বস, ষ্টেট সেক্রেটরি তেজকুমার অমসুং মন্দলগী প্রসিডেন্ট থিঙোম রাজেননা প্রসিডিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ৱাঙাঙলোয় ওইখিবা বিজেপিগী লুচিংবশিংনা বিজেপি হৌদোরকপদগী ঙসি ফাওবদা ওইরিবা ফিবমগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া থমখি। ৱাঙাঙলোয়শিং অদুনা সেন্টরদা পাল্লিবা বিজেপি গবর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট অসিদা পাল্লিবা গবর্ণমেন্ট অসিগী থবক থৌদা অমদি লায়রবশিংগী পায়খৎলক্লিবা স্কিমশিংগী মতাংদসু ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা য়াওরিবা পার্টি অসিগী ৱার্করশিংদা মচা খায়না হায়খি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা বিজেপি পাটসোই মন্দলগী বুঠ ৪৯ দগী পুন্না ৱার্কর ১৮০ না শরুক য়াখি।

[illegible] / JOB FOR X & XII PASS

NO DEPOSIT REQUIRE

Class X, XII পাস তৌরবা কেন্দিদেটশিংবু তোঙান তোঙানবা ওফিসিয়েল পোষ্টকীদমক থবক কৌজরি। মশাগী চহি ৩০ গী মনুংদা লৈবা লাইরিক তল্লিবা অমদি তম্বা তোক্লবা খুদিংমক্না এপ্লাই তৌবা য়াগনি। মসিদা নুপী ২৭ অমদি নুপা ৩৭ লৌগদবনি। থাগী ইনকমনা ১০,০০০ দগী ৩০,০০০ ফাওবগী মনুংদা ওইগনি। ইন্টরেষ্ট ওইবিবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা ওফিস্তা তান্নবীয়ু। অথাপ্পা মীওইশিংগীদমক লৈফম চাফমগী খুদোংচাবসু লৈগনি।

Visiting Hr. : 12 am to 3 pm

TSE/377–16 Contact : 9774986962 or 8414834122

PILES TREATMENT

NEXT TO IMPHAL BAZAR COMMUNITY CREMATION GROUND, MINUTHONG & KAKCHING BAZAR, PHUNGA SHOPPING COMPLEX, 1ST FLOOR NEAR TRAFFIC POINT, KAKCHING DIST.

[illegible]

PH. ALAM

PILES : খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, শৌজ নাম্বা, ঈ তাবা, মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম তাবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজদা মরেং মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বদা অকনবা অমদি মরু-মরু ওইনা হাম্বা অসিনচিংবা।

GASTRIC : চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা, থিনবা, শাওবা, খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা।

STONE CASE : পুক থিনবা, নাবা, শাবা, খ্বাঙ নাবা অসিনচিংবা

SINUS : নাতোন মরেং মরেং চৎপা, নাতোন্দা মহি তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক চিকপা, হকথি তোয়না খনবা অসিনচিংবা।

SUGAR PROBLEM : সুগর প্রোব্লেমচিংবা লায়েংজরি।

BODY PAIN (PARALYSIS) : খোঙ খুৎ হকচাংনচিংবা শিথবা, হকচাং শিন-থুংনা চিকপা নাবা, তাং তাং চিকপা, শিংলি শিংনাও শোনবা, কোক চিকপা নাবা, পোম্বা, শারগা পোম্বা অসিনচিংবা লায়না কয়া মায় পাক্লা লায়েংজরি। TSE/10556-24,26,28...............

MOBILE NO. : 8787579776/8259968220

[illegible] / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ

পূবর্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা লৈবীরম্বা **নমৈরাকপম নবচন্দ্র সিংহ**না মহাক্কী নুংশিজরবা মচা-মশু, ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লল্লগা, হৌখিবা তাং ১১-৪-১৮ ইং, শজিবুগী ২৫ নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা কৃষ্ণ চৈতৈন্য নিরঞ্জয় দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১৬-৪-১৮ ইং, শজিবুগী ৩০ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা অষ্ঠি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২৪-৪-১৮ ইং, কালেনগী ৯ নি পানবা লৈপাকপোকপা নুমিত্তা লৈখিদ্রবগী চিড়া উৎসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং 1st IRB Flowerda থবক তৌরম্বা ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা তিন্ন-লোইনরম্বা মরুপ-মপাংশিং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবিরনবা পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চরি। পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপিগনি।

সেবা ফংজরিবশিং ঃ
১) নমৈরাকপম ওংবী য়াইমাবী দেবী (স্বার্ধমিনি)
২) কুমরি নমৈরাকপম সণজিৎতা (থোই) দেবী (মচা নুপী)
৩) শ্রী নমৈরাকপম সোমোকান্তা (লালু) সিংহ (মচা নুপা)
৪) শ্রী নমৈরাকপম সণজু (তিংকু) সিংহ (মচা নুপা)
ক্বাকৈথেল ময়াইকোইবী নিংথৌজম লৈকাই ইম্ফাল ৱেষ্ট।
ফোন ঃ ৭৩০৮৭২৯৩২৪, ৮১৩২৯২৮৫৩৫।

TSE/365–16,17

[illegible] / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ

পূবর্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাই পূম্নমকপু কোনবীরম্বা **শ্রীপুখ্রম্বম কোমোল সিংহ**না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লল্লগা হৌখিবা তাং ১২-৪-১৮ ইং, শজিবুগী ২৬ নি পানবা শগোলশেল নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীমাধবা দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১৭-৪-১৮ ইং, কালেনগী ১ / ২ নি পানবা লৈপাকপোকপা নুমিত্তা অষ্ঠি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, তাং ২৫-৪-১৮ ইং, কালেনগী ১০ নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈখিদ্রবগী চিড়া উসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী অগ্রাহদা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবিরনবা পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চরি। পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপিগনি।

সেবা ফংজরিবশিং ঃ
১) পুখ্রম্বম প্রাফুলো সিংহ (মচানুপা)
২) পুখ্রম্বম খোগেন সিংহ (মচানুপা)
৩) পুখ্রম্বম নিপেন্দ্রো সিংহ (মচানুপা)
অমসুং ইমুং-মনুংশিং, শিংজমৈ ৱাংমা পুখ্রম্বম লৈকাই।

TSE/358–16,17

[illegible] / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ

পূবর্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবীরম্বা **শ্রী ওইনাম নিলবির সিংহ**না মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লল্লগা, হৌখিবা তাং ৮-৪-১৮ ইং, শজিবুগী ২৩ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা শ্রীগুরু কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য নন্দলাল দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন্দ প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১৩-৪-১৮ ইং, শজিবুগী ২৭ নি পানবা ইরাই নুমিত্তা অষ্ঠি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, তাং ২১-৪-১৮ ইং, কালেনগী ৬ নি পানবা থাংজ নুমিত্তা চিড়া-উৎসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবা বৈষ্ণবগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রা মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবীরনবা পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চরি। পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপিগনি।

বিনিতগণ ঃ
ওইনাম ওংবী ফজাবী দেবী (মমা)
ওইনাম ওংবী জিনাথোইবী দেবী (সহধর্মীনি)
পীশুমথোঙ ওইনাম লৈকাই লাইরেম্বী মনিং, ফোন ঃ ৮৭৯৪৯২০৩১৯।

TSE/338–14,16

[illegible]

SMART TUTORIAL CENTRE

Singjamei Super Market

ADMISSION OPEN

Class X,XI sc. & XII sc. (BOSEM & COHSEM)

FOUNDATION COURSE

STARTING OF Class 5 & 16 April, 2018

HOSTEL (BOYS & GIRLS)

CLASS VI TO XII & COLLEGE

VAN SERVICE AVAILABLE

TIMING:
4:30 P.M TO 7:30 P.M
Sub: ENG.,S.S.,SC., MATHS,M.M-X
Eng.,Phys.,Chem.,Bio. & Maths -XI & XII

☞ Detais Please Visit S.T.C.,Singjamei Super Market

☎ 8730999192

TSE/3096-21M.

ADMISSION OPENS

EKLAVYA [illegible]

PRE-MEDICAL COACHING CENTRE +91-8257948307

2 YEARS' NURTURE COURSE

ELIGIBILITY : X APPEARED

Starting 23rd April, 2018

1ST YEAR : Class XI (CBSE/COHSEM) +NEET-UG (Class XI syllabus)

2ND YEAR : Class XII (CBSE/COHSEM) + NEET-UG (Class XI + XII)

1st INSTALLMENT : Rs. 7000/- only

INDUCTION PROGRAMME : 22nd April (Sunday) 10 a.m. Sharp

➡ Aims at clearing the concepts right from the basics and enabling the students to score high marks in XII exam. and to clear pre-medical exam. at first attempt

Khoyathong Pukhri Achouba Mapal, Nagamapal Road

Class timing : 5 pm to 7:30 pm

TSE/41-10M

ফৌ [illegible] কৌজরি

M/s. Akoi Agro Milling Associates (Akoi Rice Mill)

Add.: Kongba Nongthombam Leikai, Near East Garden, Imphal East District.

Show Room Add.: Konung Mamang, Near, IUCB Bank, Cont. No. : [illegible]

১। [illegible]

২। [illegible]

মথা তানা মীওই থৱাগসু কৌজরি

১। Assistant Manager (Any Graduate) : [illegible]

২। Paddy collector/ Supplier : [illegible] (Imphal East-West, Bishnupur, Thoubal & Kakching District)

৩। Pro. Co-ordinator (Any Graduate) : [illegible]

৪। Driver (Tata/DI etc.) : [illegible]

☞ [illegible]

☞ [illegible]

☞ Contact No. 7085184590 / 8257840679 TSE/344–16

KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI SINGLUP COMMITTEE

IMPHAL

[illegible] / খঙহঞ্জবা

ক্বাকৈথেল অখাম লৈকাই শিংলুপ কম্মিটিগী ওইনা মথংগী চহি ৩ (২০১৮-১৯,২০১৯-২০,২০২০-২১) গী ওইনা থৌ পুননবা মেম্বর ১১ (তরামাথোই) খনখ্রে। খল্লবা মেমম্বরশিংগী মীং মখাদা পীজরি।

১)	শ্রীথোকচোম লুখোই সিংহ	প্রসিদেন্ট
২)	শ্রীহাওবম জোয় সিংহ	ভাইস প্রসিদেন্ট
৩)	শ্রীঅখাম সঞ্জিৎ সিংহ	জেনরেল সেক্রেটরি
৪)	শ্রীনামৈরাকপম রাজেন সিংহ	ত্রেজরর
৫)	শ্রীনামৈরাকপম সরত সিংহ	সেক্রেটরি ইনচার্জ, সগোলবন্দ
৬)	শ্রীনাওরেম তোম্বী সিংহ	সেক্রেটরি ইন চার্জ, কৈশামথোং
৭)	শ্রীমতি কোন্থৌজম প্রমো দেবী	সেক্রেটরি ৱুমেন, ৱুমেন ৱেলফিয়ার
৮)	শ্রীনোংথোম্বম জোতিন সিংহ	সেক্রেটরি, য়ুঠ এফ্যিার
৯)	শ্রীলোইতোংবম সুরজিৎ সিংহ	মেম্বর
১০)	শ্রীথিয়াম জদুমনি সিংহ	মেম্বর
১১)	শ্রীমতিলোইতোংবম মলিকা দেবী	মেম্বর

TSE/360–16

Sd/- A. Sanjit Singh
General Secretary
Kwakeithel Akham Leikai Shinglup Committee, Imphal

[illegible]

IPL OFFER

UNIVERSAL LED TV
19" = 6990/-
21" = 7990/-
24" = 9990/-
32" = 14990/-
40" = 22990/-
3 Years Warranty

WESTON LED TV
24" = 9490
32" = 13990
40" = 21990
T shirt Free
43" Smart = 28990
50" Smart = 37990
55" Smart = 54990
AIRTEL DTH Free

SAMSUNG LED TV
22" = 11990/-
24" = 12990/-
32" = 20990/-
Free Tshirt

WASHING MACHINE - WESTON
6.5 Kg = 8490 ~~9990~~
6.8 Kg = 8990 ~~9990~~
7.0 Kg = 9490 ~~11490~~
8.0 Kg = 12990 ~~13990~~

REFRIGERATOR SAMSUNG
192 lts. = 11490 ~~12500~~
192 lts. = 12990 ~~13990~~ (Flower)

TSE/D-11M

Contact: 1. UNITED ENTERPRISES, (Paona Bazar Opp:- Shantilata School)
2. IMPHAL ENTERPRISES, (Thangal Bazar, near Axis Bank)